# ঐচ য়ুনা হেরোজিৎ গোল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

## কে দি বাবু হোক্কীদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে

বেষ্ট প্রোমিজিং অমদি বেষ্ট প্লেয়র



হোক্কী য়ুনিয়নগী নীরজকুমার

বেষ্ট গোলকিপর



এ জে এস এগী ৱাই শ্যামসন

বেষ্ট দিফেন্দর



সি দি ওগী টি বার্লিন

বেষ্ট ফোরৱার্দ



হোক্কী য়ুনিয়নগী সুরেশ শর্ম্মা

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ* হোক্কী য়ুনিয়ন (ঐচ য়ু) লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা চরাংপাৎ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সি দি ও)বু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীরগা অহানবা অন্দর ১৪ বোইজ হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

থা অসিগী ২৪ দগী লখনৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া অন্দর ১৪ বোইজ কে দি বাবু সিংহ নেস্নেল হোক্কী টুর্নামেন্টতা শরুক য়ান্নবগীদমক টুর্নামেন্ট অসিগী সেল্লেক্টরশিংনা শান্নরোই ২১ খনখ্রে।

মণিপুর হোক্কীনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক্কী হোক্কী প্রেক্টিস ফিল্ডদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা হোক্কী য়ুনিয়ন অমদি সি দি ওনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হোক্কী য়ুনিয়নগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এ সুরেশ শর্ম্মনা ১১ অমদি ১৪ শুবা মিনিটতা ২ অমদি টিম কেপ্টেন দব্লিউ নিরজকুমারনা ৩১ শুবা মিনিটতা ১ চনখিবনি। সি দি ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা টি ঐচ একেন্দ্র সিংহনা ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। হোক্কী য়ুনিয়ননা পেনাল্টি কোর্নর ৬ ফংলবসু অমত্তা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। সি দি ওনা পেনাল্টি কোর্নর অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

বেষ্ট প্রোমিজিং অমদি বেষ্ট মিদফিল্ডরগী মনা হোক্কী য়ুনিয়নগী দব্লিউ নিরজকুমার সিংহ, বেষ্ট গোলকিপরনা এ জে এস এ জিরিবামগী ৱাই শ্যামসন, বেষ্ট দিফেন্দর অমদি বেষ্ট ফোরৱার্দনা সি দি ওগী টি বার্লিন অমসুং হোক্কী য়ুনিয়নগী এ সুরেশ শর্ম্মনা তাখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা উরিপোক কেন্দ্রগী এম এল এ এল নন্দকুমার সিংহ, মণিপুর হোক্কীগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট এস সুবিতা দেবী, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সমজাই ৱাঙ্খেমচা, ট্রান্সপোর্টকী দিপ্যুটি দিরেক্টর কে এস ঐচ লেম্বা সিংহ (এম সি এস) অমদি নেস্নেল এৱার্দি বাসুদেব সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

কে দি বাবু সিংহ হোক্কী টুর্নামেন্টকী মণিপুরগী মহুৎ শিন্নবা খনখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা এ জে এস এ জিরিবামগী ৱাই শ্যামসন মৈতৈ, কে ঐচ এস সি খোঙমনগী টি ঐচ সুরজ সিংহ, দিফেন্দরদা সি দি ও চরাংপাৎকী এম সুসন্তা, টি বার্লিন সিংহ, ফাম ইম্ফালগী এন বুংবী সিংহ, সিয়োগী কে এস ঐচ জেনিন শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইগী আই রোহিদ সিংহ অমদি হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী এস চিংখ্রেঙানবা, মিদফিল্ডরদা কে ঐচ এস সিগী এম জেক সিংহ, ঐচ এ ৱাই টি শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইগী এন মার্জিৎ সিংহ, য়ুথ ক্লব লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী কে ঐচ সোমিকান্তা সিংহ অমদি এ জে এস এ জিরিবামগী এম দি অব্দুল মটলিপনি। ফোরৱার্দতা হোক্কী য়ুনিয়নগী ৱাই বিদ্যানন্দা সিংহ, এ সুরেশ শর্ম্মা, ফামগী কে কেকে শর্ম্মা অমদি এ জে এস এগী সি ঐচ ভিক্তর সিংহনি।

রিজাবতা ফামগী এল রোহিদ সিংহ, সিয়োগী কে এস ঐচ জেনিন সিংহ, কে ঐচ এস সিগী এস এলেক্স সিংহ, হোক্কী য়ুনিয়নগী পি সিজ্রেস সিংহ অমদি সি ঐচ জেমস সিংহনি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা মণিপুর টিমগী মেনেজর হাপখ্রবা এন রঞ্জিৎ মৈতৈদা থা অসিগী ১৪গীদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।



হেরোজিৎ গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী টিমনা এম এল এ নন্দকিশ্বরদগী ট্রোফি লৌখিবা।

## রবিচন্দ্র ফুটবোলগী ফাইনেলদা আর দি দি অমদি কে এফ সি থেংনরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ* ক্যামগৈ আইদিয়েল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা এম রবিচন্দ্র ট্রসনা শিন্দুনা চথরিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা আর দি দি ৱাঙ্খৈ অমদি কে এফ সি কাঞ্চিপুরনা থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা আর দি দি ৱাঙ্খৈনা একা ট্রেন কোংপালবু গোল ৭–০ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। আর দি দিগী গোলশিং অদু আনন্দনা ১৩ অমদি ৫১ শুবা মিনিটতা অনী, মিলননা ৩৯ অমদি ৫৭ শুবা মিনিটতা অনী, রাজ, দিপক অমসুং বোবীনা মথংশিংনা ১৬, ৪৭ অমদি ৫৮ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচ থা অসিগী ১৪ দা লিজবোন লুৱাংশংবমগা একা ট্রেন কোংপালগা নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা শান্নগনি।

# সিতো রিয়ু সাইকো কাই করাটে–দোনা মেদল ৪৭ ফংলগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ* মণিপুর এমেচর করাটে–দো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১০ দগী চথরকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন করাটে–দো চেম্পিয়নসিপ ২০১৪গী ওভর টিম চেম্পিয়ন সিতো রিয়ু সাইকো কাই করাটে–দো মণিপুরনা গোল্ড ২১, সিলভর ১১ অমদি ব্রোঞ্জ ১৫ পুন্না মেদল ৪৭ ফংলগা তাখ্রে।

কংলৈ সিতো রিয়ু করাটে–দো ওফ ইন্দিয়ানা গোল্ড ৫, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেদল ৮ ফংলগা রন্নর্স অপ তাখি। নুপা অমদি নুপীগী বেষ্ট করাটেকানা সিতো রিয়ু সাইকো কাই ককচিং খুনৌগী থিংনাম অঞ্জলি অমসুং সাই আর সিগী কে ঐচ অমর্জিৎ সিংহনা তাখি।

চেম্পিয়নসিপ লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর এমেচর করাটে–দো এসোসিয়েসনগী লিগেল এদভাইজর এন জি টেজকুমার সিংহ, টাউন প্লানিংগী জোইন চিফ খোইবী সলা অমদি এডুকেসন (এস)কী দিপ্যুটি সেক্রেটরি অব্দুল সলাম অমদি কাইরং খুমিদোক্কী প্রধান এম দি নুরজমাননা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।



চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সিতো রিয়ু সাইকো কাই করাটে–দো মণিপুরগী শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিং।









Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*